# এদিটোরিয়েল

WAYEL KATI

ইম্ফাল, শজিবুগী ৩০ নি পানবা, ইরাই, এপ্রিল ১৭,২০২৬ ইং

## মণিপুরদা স্কুলশিং থোঙ লোলহনবা

### ঐখোয় নুঙগী যুগকী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্কদ্রা পাখৎলক্লে

এদুকেসন হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী ওইনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাকশিংগী মনুংদা অমনি। এদুকেসন হায়বসি ৱাখল পুন্নমক্কী হৌরকফমনি। মসিনা মীওই মশামক্তা অমসুং খুন্নাইদা অদুক্কী মতিক কান্নবা পী। লাইরিক হৈবা হায়বসি হিরম অমগী মতাংদা ফৈ নৎত্রগা ফৎতে, চূম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বা খঙজবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় অদুনি। মালেমগী ওইনা নৎত্রগা মশামক্কী ওইবা থবক থৌরমদা চুনবা মখলগী ৱারেপ লৌবা ঙমহল্লি। লাইরিক লাইশু হৈবা কাঙবুদি অফবা থবক ফংবা ঙম্মী, শেল য়ান্না তানবা ঙম্মী অমসুং মহাক্কী তুংলমচৎক্কী ওইনা লম্বী শেমজবা ঙম্মী। এদুকেসনগী মঙাল অদু স্কুলদা পুশিল্লকপা মতমদা মহাক্না তল্লিবা লাইরিক অদুগী মতিক ময়ায় ৱাখৎলকই। মশামক্কী নৎত্রগা লৈকায়গী নৎত্রগা লৈবাক্কী ওইনসু শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্মী লাইরিক লাইশু হৈবা মী ময়াম লৈবা লৈবাক্তু চাউখৎপা অমসুং লাইরবগী পোৎলুম হন্থগনি। এদুকেসননা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা ইকাই খুম্নে, অচুম্বা তৌই অমসুং অমগা অমগা থোং মান্ননা চৎমিন্নবা ঙম্মী। সিটিজেন অমা ওইবগী চপ চাবা মথৌশিং পাঙথোকপা ঙম্মী। এদুকেসননা মীওইবা খুন্নাইবু হকচাং ফনা, নাদা য়েক্তবা নুংঙাই য়াইফবা পুন্সিরোল অমদা হিংহনবা ঙম্মী। লন্নাই মীওইশিং মরু ওইনা নুপী অঙাংশিংবু অফবা লম্বীদা পুবা ঙম্মী অমসুং মখোয়গী পুন্সিরোলসু ফগৎহনবা ঙম্মী। অমগা অমগা ঈ–পাউ ফাওনবা, অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা খুন্নাই অসিবু অফবা লম্বীদা লমজিংহনবা ঙম্মী। মণিপুরসু ইন্দিয়াগী ওইনা মহৈ মশিং হৈবগী চাং য়েংনবদা অদুক হাক্না নোপ্পা ষ্টেটতি নত্তে। অদুবু লাইরিক হৈরবনি হায়না পীরিবা মশিং অসি কুপ্থনা য়েংলুরগদি হংবা য়াবা ৱাহং কয়ামরুম থোক্লকই। মরমদি মণিপুরগী এদুকেসন সিষ্টেম অসি অফবা ওইদে। প্রাইভেট স্কুলশিংগী মরক্তা খরা খক্না মণিপুরগী মমাই ওইনা উহনবগী ৱা খক্তনি। হায়বদি মণিপুরদা গ্রেজ্যুয়েট ওইরবা মীওই ১০০০ অমা লৈবদা এপ্লিকেসন চুন্না ইবা ঙমদবা মীগী মশিং ৫০০ হেন্না য়াওরমগনি। হায়বদি শুপ্নতগী সার্টিফিকেট খক্তমক পায়ননবগীদমক লাইরিক তম্নবা ওইনা তৌই। লাইরিক্তুদা করি হায়রিবগে, করি য়াওরিবগে হায়বদু নিংথিনা খঙদনা নত্তবা পান্থে শীজিন্নরগা পাস তৌবগী চাং ৱংবা ওইনা তৌই। মসিমক্না মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না চাওখৎপা ঙমদ্রিবনি। অফবনা করিনো, ফত্তবনা করিনো হায়বফাওবা খঙবা ঙমদে। থবক অমা তৌবদা মায় পাকপা য়াবা মীগী মশিং য়ান্না নেম্মী। মসিনা তাক্লিবদি মখোয়দা তম্বীরকখিবা এদুকেসন অদু শন্না অমগী মফৈফাওবা চুদবা য়াওই। মুন্না খঞ্জিল্লুরগদি মণিপুরদি কিনিংঙাইগী কিনিংঙাইমক্তনি। মসিগী হৌরকফমদি ঐখোয়গী এদুকেসন সিষ্টেম অসিননি।

মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয়সি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটকী মীয়াম্না য়ান্না তুক্কৎচবা মীৎয়েংদা য়েংলমগনি। মরমদি ঐখোয় মশেলসু উন্নবা য়াদে, অমনা ঙাংবা অমনা তান্নদে, মতম চুপ্পদা হাৎন–শুনবগী ফিভমদদা লৈনৈ, অপূনবগী ৱারেপ লৈতে, ইঠিক্স লাইনদা য়েংলগা পোলিটিক্স তৌনৈ, খুন্নাইগী খন্দে, লৈবাক্কী খন্দে, মখোয় মশা মশাগীদি খল্লি। কাঙলূপকী ঈরাং থোক্তুনা লৈতানা লৈবা ঙমদবা ষ্টেট অমা ওইরকপসি চহী ২গা থা ১১ হেল্লক্লবনি। মসিগী অমাঙবা কাঙলূপ অমত্তনা খঙদে। লৈবাক্কী লোসু কনামত্তনা ইন্দে। তৌনিং– তৌনিংবদা তৌই। ঙাংনিং–ঙাংনিংবতা ঙাংই। মীয়মগী লৈঙাক্লি হায়না লৈরিবা অসিনসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লো চৎনহনবা ঙমদ্রি। লো এন্দ ওর্দর নিংথিনা লাকশিনবা ঙমদে। অসিগুম্বা মওং মতৌ ময়াম অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটকী মীনা ঐখোয়বু করিগীদমক তুক্কৎচরোইদৌরিবনো? অমরোমদা কোভিদ–১৯গী লায়চৎ শন্দোরকপা মতমদা চহী ৩ লোম লাইরিক নিংথি নুংঙাইনা তমখিদে। চাংয়েং ফাওবা তৌদনা মহৈরোইশিং মায় পাকহনখি। মদুগী মতুংদা কাঙলূপকী ঈরাং থোক্তুনা চহী নৌরিবা মহৈরোই কয়া অমা হৌজিক ফাওবা লাইরিক নিংথি–নুংঙাইনা তম্বা ফংদবা য়াওরি। চৎথোক চৎশিন, চঙথোক চঙশিন য়াদবনা মরম ওইরদুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিন তম্বদফাওবা শাথিনা অকায়বা থোক্লি। ঈরাং খরা খরা হন্থরে, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অঙাংশিংসু লাইরিক তম্বগী খূদোংচাবা খরা ফংলে হায়না হরাওনরিঙৈগী চৈরক্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা বোম পোকখায়হন্দুনা চহী নৌরিবা মচিন মৌপ্পা হাৎখিবা অমসুং অঙাং শিখিবদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অশোয়বা লৈখি হায়না প্রোটেষ্ট তৌরুবদা নোংমৈ কাপথোরক্তুনা নহা ৩ শিখিবগী থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুদগী মীয়ামগী খোইশাওনবা হেঙ্গৎলকখি। লম্বী অয়াম্বা থিংজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌনরকখি। ঈরাং ময়াম অদু নমথননবগীদমক্তা দাটা ইন্টরনেট সার্ভিস ফাওবা সস্পেন্দ তৌখি। মসিগীসু মথক্তা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা মতম কক্তবা কার্ফিয়ু থমজিল্লকখি। হৌজিক্তি ঈরাং অদু তপ্না তপ্না ফগৎলক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট খক্তা নত্তনা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট ৪গীদি অয়ুক নুংথিলগী মতমদা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। ত্রোংলাওবীগী থৌদোক অদু থোকখিবা নুমিৎ হায়বদি এপ্রিল ৭ অমসুং ৮গী লোন্নবা অহিংদগী হৌনা মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা লৈবা লৈঙাক্কী অমসুং লন্নাইগী মহৈ তম্ফমশঙশিং থোঙ লোল্লগা লৈরি। কনানা থোঙ লোলহনবনো হায়বা তারগদি অমনা লৈঙাক্লনি, অদুগা অতোপ্পা অমনা মীওই কাঙবু খরননি। হৌজিক হংবা য়ারিবা ৱাহংদি কৈদৌঙৈফাওবা মহৈ তম্ফমশঙশিং থোং লোলহল্লগা থমখিগদৌরিবনো হায়বসিনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মহৈ তম্ফমশঙশিং থোঙ হাংলগা মহৈরোই ময়াম অমা প্রোটেষ্ট তৌরক্কনি হায়না লৌরগা স্কুল থোঙ হাংহন্দবা ওইরগদি য়ান্না চুমদবা ৱারেপনি। লাইরিক অসুম তম্লক্তবা, ঈরাং অসুম থোক্লগা লৈবা ষ্টেট অমা ওইবা তারগদি ঐখোয় পুন্নমক নুঙগী যুগকী মতমদুদা হঞ্জিননবগী ফিভম লাক্কনি। মসি থোক্তনবগীদমক তঙাইফদনা অহানবগী ওইনা ক্লাস আইট ফাওবগী থাক্তগা লৈবা স্কুল পুন্নমক হাংদোক্তুনা মহৈ তমহল্লু হায়জনিংই।

## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 258*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | | | | 9 |
| 8 | | | 6 | | | | | |
| | | | | | 5 | 1 | | |
| | | | | | | | 6 | 8 |
| | 2 | | | | 3 | | | |
| | | | | | | | | 4 |
| | | 5 | | | | 2 | | |
| | | | 4 | 3 | | | | |
| | 7 | | | 8 | | | | |

# ইমা নঙগী হকচাংদি শল্লাং অমত্তনসু ফৈনা ঙাক্কনি

**...ইমা লৈবাক্কীদমক অচেৎপা অমত্তা ওইবগী ইশুগী লৌখোং তৌরদুনা ঙসিদি ইমাগী তম্পাক্তা য়েলহৌঙৈদগী চাক্তামিন্নরক্লবা ঈগী মরী ওইবা চীংমী তম্মী ইচিন ইনাওশিংগী নুংশিনবগী, অপুনবগী খোল্লাও অমদি পুন্না হিংমিন্নবগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্লি। পুক্নিং ৱাখল হেন্না চেৎশিল্লক্লি। জুন ১৮, নহাক লাক্লমদ্রবদি ইমা মণিপুর নহাক্কী থোৎলবা ঙকশমদা লুপ্লবা য়োঙ্লিং ফলাং চল্লম্লগদ্রা, ঙসিদি ইমা মণিপুর মোমোন নোক্লমগদ্রা? ৱাহংনা থল্লবা ইমাগী নমদা মচাশিংনা য়াম্বীরি, চিংথবীরি। অসিগুম্লবা পোৎলুম কয়াবু ঐখোয়না অমত্তা ওইবগী ৱাখলতনা ইমাবু পোখাহনবীগদৌরি ...!!!**

অপোকপী ইমাতনা ইমারা, পোক্লফম লমদমদি নহাক্কী পলেম ইমা নত্তবরা? পোক্লফম লমদম ইমা, নহাক লৈত্রবদি কনাগী মফমদা ইমা লৈবাক হায়না কৌজরুনি। ইমা নঙগী হকচাংনা মচেৎ মচেৎ নিংখায়রক্লবদা নচাশিংগী মীৎ অসি লোক্তাং তংলবা মচাগুম য়েংশিন্নদা, খঙশিন–উশিন্নদা, খঙশিন উশিন্নদা ফমুংদা য়াতাদুনা লৈথোকপবু ঙমগদ্রা? পায়খৎলো অরৈবা খুৎশু থাংলেন উখোঙতেনদা ঙারিবরা? শোকপা য়ারোই, তুবুম নাম্মা ইমাগী হকচাংদা, মাঙখিবা য়ারোই ইমাগী ঙমখে, য়েৎতুম মতোন্দা পকপা মালেম লৈশা মচেৎ অমত্তসু ! হিংলিবনি শিবা কিদ্রবা নচাশিং ইমাগী ঙমখে ঙাক্নবগীদমক !

কুইদ্রি হায়বা য়াই, ফোঙ ফোঙ শারিবগুম খল্লি, ঙরাংতা থোকখিবা থৌদোক্লুম। চহী ২১ তমক হৌখিবতা ঙাইরি, জুন ১৮, ২০০১, ইং মমাগী হকচাংবু মচেৎ মচেৎ য়েন্নখিগদৌরে হায়বা পাউ তারকপদা মণিপুর ইমাগী মপারি মমোমশিংনা, শিবা কিন্দবা হায়বা খুৎলায় অদু মখুৎতা পায়রদুনা মায়কৈ মরী শুংদাই নিপালদগী লাল হৌরক্লবা লান্মীগুম, লানফি শেৎচবা নংদ্রবা মচাগুম, লান্মী খুৎপু খুৎপু লান্মী তেঙ্গোল তেঙ্গোলনা অঙম্বশিংগী শঙলেন–পুম্বা লান্মীনা পল্লোন নাইনা কোয়শিনবা হৌরকখি। নুপা ওইবশিংনা লানগী খোঙ থাংখ্রবদা নুপী ওইবীশিংসু শিবা কিদবা ৱাখলনা লানবাংবা হোৎতোক্লরকখি। লান্মীগী কল্লবা শাফুনা লানবুং য়ৈনা থোমজিন্নরক্লবদা নমখায়বা হৌরকখিবনি চেৎলবা লানবল কয়া কংলৈ ময়োল, মণিপুর ইমাগী।

এনএসসিএন (আইএম)গী নিংঙাই, ভারত সরকারগা ৱারী শান্নখিবা, লান লেপ্পরসি খুৎলায় থানরগুমসি হায়নবগী ৱারী, ইং কুমজা ২০০১ গী জুনগী তারিখ ১৪ দা ‘ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট’ হায়বা ৱারোল য়াওবা বেঙ্কোক এগ্রিমেন্ট অদুনা ইমা লৈবাক ইরমদম মণিপুরগী চেৎনা কোনজরিবা ঙমখৈদা শিংনরকপদগী থম্মোয়বু ফাথবা ঙমদ্রবা ইমাগী মচাশিংনা পুং–ঝাল য়ৈরদুনা পেন্দবা খোল্লাও কয়াগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মফমদা ভারত সরকারগী মফমদা ৱাকৎপা হৌরকপদা অচৌবা ঈহৌ অমা থিংঙমদ্রবা ঈচেল অমা ওইখিদুনা কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮, ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ইমাগী মচা ১৮ না মমা লৈবাক্কীদমক শিবা কিন্দবনি হায়বদু উৎপগা লোয়ননা ইমা মণিপুরগী মতম্পাক্তা নোক্ন নোক্ন থৱায় থাখিবনি। মতুং তারকপদসু মমল য়াম্লবা মীওই মঙাগী থৱায়না ঙমখৈগীদমক থৱায়না পোম্থা পীখিবা, ঙসিসু ঐখোয়না কাউদ্রি। মীয়ামগী ফাথবা ঙমদ্রবা ঈহৌদুগী খোল্লাও ঙসিসু মণিপুর মীয়ামগী নাকোংদা শিংজা য়ৈনা নীল্লি, অমদি ঈহৌদুবু নমথনবগীদমক কাপখিবা অহৌবা নোংমৈগী মখোল ঙসিসু অকি তুজুং পোকহনবা ঙমদনা তারি। থৌদোক অদুনা য়ুম্ফম ওইদুনা চীং–তম অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনখিদুনা ইমাগী মতম্পাক্তা চোংথোরকখি। য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর, ‘দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিতি দে’ য়ুম্ফম থোনখি। ইমা লৈবাক্কীদমক অচেৎপা অমত্তা ওইবগী ইশুগী লৌখোং তৌরদুনা ঙসিদি ইমাগী তম্পাক্তা য়েলহৌঙৈদগী চাক্তামিন্নরক্লবা ঈগী মরী ওইবা চীংমী তম্মী ইচিন ইনাওশিংগী নুংশিনবগী, অপুনবগী খোল্লাও অমদি পুন্না হিংমিন্নবগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্লি। পুক্নিং ৱাখল হেন্না চেৎশিল্লক্লি। জুন ১৮, নহাক লাক্লমদ্রবদি ইমা মণিপুর নহাক্কী থোৎলবা ঙকশমদা লুপ্লবা য়োঙ্লিং ফলাং চল্লম্লগদ্রা, ঙসিদি ইমা মণিপুর মোমোন নোক্লমগদ্রা? ৱাহংনা থল্লবা ইমাগী নমদা মচাশিংনা য়াম্বীরি, চিংথবীরি। অসিগুম্লবা পোৎলুম কয়াবু ঐখোয়না অমত্তা ওইবগী ৱাখলতনা ইমাবু পোখাহনবীগদৌরি। মদুগীদমক মালেমসিদা নুমিৎ থানা মাঙখিদ্রিবমখৈদি ‘দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিতি দে’ নুমিৎকী মঙালনা ময়েক শেংবগুম ইমাগী মশায়কোন্দা পাঙথোকখিগনি। মদুগীদমক মচাশিংনা শেম শারদুনা লৈরি।

ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈবু লানশিল্লক্তুনা মীতোপকী ঈনা লৈঙাক খুৎ থিংজিল্লকপা য়ারোই হায়বা অশাওবা মীয়ামগী খোল্লাওতনা ফাথবা ঙল্লক্ত্রবদা কংলৈ মায়োলদা মৈরিনা লাঙ্গোয় চনশিল্লকখি। মতম অদুদদি মমা লৈবাক্কীদমক শিবা কিদ্রবা থৱায় কয়ানা চোংথোরক্তুনা ইমাগী মতম্পাক্তা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ওইনা তা তাদুনা লৈখিবদো। নীংশিংলি ঙসিসু, উরি মিংশিদা থৌদোক্তুগী মমিদো শঙ শঙনা মিৎসিদা। অকি–তুজুংলবা থৌদোক অদুবু নীংশিংলদুনা ঙসিগী মীরোলনা ঈনা মীৎকী পী ওইনা কংলি, লৈনা থৱায়গী মহুৎ শিন্না চাইথরি। জুন ১৮, ২০০১ অপীকপা মৈরি অমা নত্তে, ইমাগী হকচাংদা য়ৈরিবা অকিবগী মশক ওইরবা অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ অমনি। নোংলৈদুগী মরক্তনি মৈনা লৈরাং ওইনা লৈশাৎ তমখিবা, ইমাগী নাপ্পদা ঙানখিবা, মৈশা লাংখিদে ইমা। মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোম্থা কৎখ্রবা অথৌবা অথৌবী মখোয়গী থৱায়গী পম্থুংদি লৈনম য়েল্লিবা লৈরাংশিংগী লৈকোলদতনি। অদুমক্তনি নখোয়গী মোংফমদা লৈরাং খুজোক খুজোক চাইথররিবা। নখোয়গী থৱায়দি এন্তি সিজফয়ারগী খোঙজংদা কৎখিবা নত্তে, অপুনবা মণিপুর অমগী লৈকোল শেল্লম্বদা থৱায়না পোম্থা ওইখিবনি। মদুমক্তনি ঙসি হায়নরুবা হৌনরুবা তৌদনা লৈরাং কয়ানা ফুগায়না শাৎমিন্নররিবা।

থৌদোক অদুগী মীৎনা উহৌবা থৌদোক্তো অকিবগী মশকনি। জিপি কলেজগী মনিংদা ঐখোয় মেদিয়াগী মরুপ মপাং পুনশিন্দুনা ৱা খন্নরিঙৈ, এসেম্লি হোল মৈ থারে হায়বগী পাউ লাকপদগী ঐখোয় মফম অদু তন্না চঙশিল্লি। হোল মনুংদা এমএলএ কয়া লৈখ্রে হায়বা খঙনরকপদগী মীয়ান্না মখোয়বু কন্ননবা হোৎনখি। মীওই খরা মোটোর তোঙদুনা উরিপোক নাগামপাল লোমদা হোরাই লৌবা থৌনখি। য়ান্না খোঙলৈ থুনা হোরাই পুনরক্তুনা এসেম্লিগী থোঙনাও লেনখায়দুনা মৈনা ৱাইরম্লবা এমএলএ, থোংনাওদুদা শৎতোক্তুনা পুথোরক্লগা থৱায় কনখি। তাঙ্গা অদুগা ইকান–কান্নদনা নুপী লান কমপ্লেক্স কংলা পার্ক ময়াদা নোংমৈনা পান্দুনা মীওই কয়া লৈখিদ্রে হায়দুনা মফম অদু তন্না মেদিয়াগী মরুপ মপাং পুন্নমক হোৎচিন্নখি। অদুবু মফম অদু য়ৌরবদা মমল য়াম্লবা হকচাং কয়া য়াতাদুনা থৱায় য়াওদনা লৈরমখিবনি। মখোং মখুৎ শোয়নাইখিবা মখোয় কয়া অমসু জুন ১৮ গী থৌদোক অদুদা য়াওখিবনি। পুন্নমক অদো অকাওবগী লৈরোলনা নোংমা নোংমগী ঐখোয়গী ৱাখলদগী লাপথোরকখি। থৌদোক অদু ইমাগী মতম্পাক্তা অমুক হন্না লাক্তবা ওইরসনু, ‘লোং লিভ মণিপুর, লোং লিভ কংলৈপাক’।

–অইবা বিজেন্দ্রজিৎ তেলেম




# হিংনবগী লানফমসিদা মখল মথেল

ঙরাংগী মখাঃ

মীওই অমবু মীওই অমনা নুংশিদবা হায়বসি মনুংদা করিগুম্বা খরদি লৈরমগদৌরিবনি। পোকপু পোক্লবা নোংমদি শুংশোয় শোয়দনা অশি লৈবাক্তা কনা য়াওদনা মরোমদোম চৎকদৌরিবনি। মসিগী ৱাফমসিমক নোংমগী মনুংদা সেকেন্দ অমত্তা ওইরবসু নিংশিংবা ঙম্বগী থৌনা পাঙ্গল লৈরবা কনাদসু তাথিনা মীগী ফত্তনবা তৌগে হায়না খল্লোইদবনি। মী ফত্তবগা লাই ফত্তবগা অনিসি করম্বনা অফবনি হায়গদৌরি? হায়নিংঙাই লৈতে। লাই ফত্তবসু লাইয়ামশিংগী মনুংদা লৈবা য়াদ্রদুনা লম্ধাং–তুহাং মী কয়া চঙনদবা নারক–মোংশোংদা লৈনরিবনি। নুমিৎ চপ য়ুংবদা মোংশোংদা লম্ধাং–তুহাংদা চৎতবা য়াদদুনা চৎলবসু চেকশিনবগী তঙাইফদবা হায়বদু ওইরিবনি। করিগুম মতমদা অহলশিংনা হায়নবা লৈরিবনি। নুমিৎপু চপ য়ুংলবা লাই থোকপনি। মসি হায়নবগী ৱানি, থোকপ্রা থোক্ত্রা খঙবা নত্তে। তৌবগীবুদি করিগুম্বা মতমদা হায়রিবা নুমিৎ চপ য়ুংবসিদা লাই ওক্নদুনা লাকয়ন্নবা ঙমদনা লৈখিদবা য়াওই। অদুনা মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। হায়নরবদি অচুম্বা খরদি য়াওদনিংঙাই লৈতে। হায়রিবা ময়ামসিগী মনুংদা নঙ ঐনা থবক ওইনা পাঙথোকপীরুদ্রগা লোইরে।


কনা কনাগুম্বনা হায়নবা লৈরিবনি। মখোয়গী ইমুংসি হন্দক্কী চহীসিদদি মোংবা চঙলব্রা করিনো মওং অমা তৌরবনি। মসি ফনা হায়নবা নত্তে। মোংবা হায়রিবা উচেক অসি করিগুম্বা মতমদা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা য়ুমদা চঙলম্বা থোক্লবা ফত্তবগী লম্বীদা নিংজিং মাঙজিনরগদবনি। ফত্তে হায়বা অদুমা তৌবিদ্রগা লোইরে। ধর্ম্ম লৈবা লৈতবা হায়বসি মানা মানা তৌরিবা থবক অদুনা তাকচগদবনি। মীওইবা মরক্তগী থোইদোক হেন্দোক্না মীয়ামদগী হেল্লবা মহাক অদুমা মাগী মমিং শোয়দনা শোন্নরগদবনি। অফবা ওইগেরা ফত্তবা ওইগেরো হেক্তা ওইবদা কনানসু করিসু হাময়ুম–মকৈ পাল্লবা মতুংদা হেক পোক্লিবা মমা মপাবু তোখায় লৈহন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা তোঙান চাহন্নবগী থবক থৌরম শিল্লকপা অসিগুম্বা থবক অসিমা মশিং লাকঙমদনা লৈখ্রবা পোৎনি। ফত্তবা ওইরকপসি মরু ওইনা ময়ুম পান্দ্রিঙৈগী মতমদদি নুংশি–চান্ননা লৈমিন্নরম্বা ঙাক্তনি। ময়ুম পাল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা য়ুম্বাল্লোনগী ফিভম মনুং হুৎনা করিগুম্বা অশোয়বা খরদি লৈবা ওইরগদবনি। মসি মী মীদুগী মতুং ইনগদবনি হায়বসিসু অকায়বদি নত্তে। অচুম্বনি।

ইচানুপা পোকই, ইমৌগী, মসিগী ৱাহৈমসিদি ওইদনবা তাদনবা মচা ওইবা মহাক্না হোৎনবদা ওইরোইদবা লৈতে। মাগী নুপীনবু হায়রবদি লোইরে খঞ্জবা নুপাদুদি নোংমদি শোয়দনা মীমাঙ থোক্তনিংঙাই লৈরোই। মচিন মনাও মমা মপাবু থওই–ৱাওইদনা তৌরবা অদুগুম্বা মীওইদু কৈরোই লৈকায়না ফাওবা নুংশিবদি লাইরদুনা হূ তরেৎমুক খারমগদৌরিবনি। করিগুম্বদা লৈশাবী মানা মৌগীশিংদা চন্দুনা য়ুমলেপ চারা তম্লবসু মাগী মপুরোইববু পোক্লিবা মনেম–মকু অমদি অতৈ, মনাওনিপাশিং তৎন–থানবা য়াদ্রবা অমসুং ঈ মরিনি হায়বসি মতম অয়াম্বদা কাওরোইদবনি। থকসি–খাসি নাইনা মৌ অমগী মথৌ ফজনা পাঙথোকপদা নুংশিদবা কনাসু য়াওরোইদবনি। লুহোংখিবা চহী ফারকপদা তোঙান তাগনি খল্লিবা মদুগুম্বা মৌ, পুন্নমক মাগী খুজিন থৌরাং নৎতনা অতৈ করিসু ওইররোইদবনি। শিরগা লোইরবা তাইবঙ অসিদা খ্বাইদগী লুনা নিংলিবা ঐখোয়না খনগদৌরিবসি অমগা অমগা নুংশিননবা হোৎনবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অতৈ অমা লৈত্রবনি।

–অইবা হেমজিৎ ইরোম্বা

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-256*



**ACROSS**
1 Shopping centre (8)
4 Sporting item (4,4)
9 Send (5)
10 Roadside hotel (5)
11 Music genre (5)
12 Prisoner (7)
13 Horse noise (5)
15 Believe in (5)
17 Deceiving (7)
20 School's former pupils (6)
21 Pertaining to milk (6)
23 Wound dressing (7)
28 Garbage (6)
29 Scandinavian country (6)
30 Nip, pinch (5)
31 Likelihood (6)
33 Kampala's country (6)
35 Bravest (7)
38 University qualification (6)
40 Pictures (6)
42 Retaliation (7)
45 Lodgings (5)
47 Black fur (5)
49 Old (7)
50 Angry (5)
51 Improvise (2-3)
52 Patchwork blanket (5)
53 Parachutist (8)
54 Memorandum (8)

**DOWN**
1 Human being (6)
2 Scottish mountain range (10)
3 Specially-trained soldier (8)
5 Nothingness (8)
6 Variety of pear (10)
7 Bosom (6)
8 Nation (5)
14 ___ Grey, tea (4)
16 Indian garment (4)
17 Filament (5)
18 Was in front (3)
19 Learn bit by bit (5)
20 Drawn (9)
22 Butterfly pupa (9)
24 Arctic whale (7)
25 Document case (7)
26 Edible entrails (5)
27 Children's play apparatus (5)
32 Smouldering coal (5)
33 Unbind (5)
34 Disjointed (10)
36 Female deer (3)
37 Gigantic (10)
39 Repeat (4)
41 Wicked (4)
43 Assess (8)
44 Easily taken in (8)
45 Fast-flowing water (6)
46 Notifies (5)
48 Publication boss (6)



| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 8 | 5 | 9 |
| 8 | 5 | 9 | 6 | 1 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 2 | 3 | 7 | 8 | 9 | 5 | 1 | 4 | 6 |
| 7 | 9 | 4 | 2 | 5 | 1 | 3 | 6 | 8 |
| 6 | 2 | 8 | 9 | 4 | 3 | 5 | 1 | 7 |
| 5 | 1 | 3 | 7 | 6 | 8 | 9 | 2 | 4 |
| 9 | 4 | 5 | 1 | 7 | 6 | 2 | 8 | 3 |
| 1 | 8 | 2 | 4 | 3 | 9 | 6 | 7 | 5 |
| 3 | 7 | 6 | 5 | 8 | 2 | 4 | 9 | 1 |

Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**